**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু ঙসি মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ পালন থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি।

২) মণিপুরদা মহৌশাগী চৎনরকপা লমতাগী অহানবা থাংজ নুমিৎকী শরোই খাঙবগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

৩) রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দল চাউথোকবগী মতাংদা খন্নরুনবা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ ঙসি নুংথিল নিউ দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

৪) কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা হায়রি- তংদু লৈতাবা মণিপুর অমা ওইহন্নবগীদমক অশেংবা-অচুম্বা ইলেক্তোরেল রোল য়মমক তঙাইফদে।

অমসুং

৫) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- চহি অসিগী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদগী নক্সলাইটশিং মরু ফংনা মুথৎলগনি।

------

লোল (এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু ঙসি মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে। পালন থৌরম অসিগী কুমশি চহিগী হীরমনা 'য়ুথ ভোইসেস ওন মল্টি লেঙ্গুয়েল এদুকেসন' হায়বসিনি। থৌরম অসি তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিং পাঙথোকখি।

রিছার্স ফোরম মনিপুর (রিফোর্ম) না শিনদুনা মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ পালন থৌরম ইম্ফালগী জি.পি. ৱিমেন্স কলেজদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মণিপুর সরকারগী লেঙ্গুএজ প্লানিং এন্দ ইনপ্লিমেন্টেসনগী দাইরেক্তর লাইশ্রম রাধাকান্টনা হায়- রাজ্যগী লেঙ্গুএজ প্লানিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন্না মণিপুরী লোল চাওখৎনবা অমদি মীপুম তিংনবা খঙননবগী পান্দমদা ক্লাস ৱানদগী হৌরগা টেন ফাওবগী স্কুল সিলেবসশিং মণিপুর লোলদা হন্দোকপগী থবক লোইশিল্লক্লে। মসিনা লমদমসিগী হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংদা মণিপুরী লোলবু  নিংথিনা খঙহনবদা মতেং ওইগনি। মহাকা হায়- ইমালোলদা মহৈ মশিং তম্বা হায়বসিনা তল্লিবা সিলেবস অদু হেন্না মমুৎ তানা খঙবা ঙম্মী। মরম অদুনা লমদমসিগী মীপুম খুদিংমকা মণিপুরী লোলবু হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্ননবা আপীল তৌখি।

থৌরমগী থৌরম মপুগী ৱারোলদা রিফোর্সকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা প্রোফেসার সি.ঐচ. ইবোহল মীতৈনা এন.ই.পি ২০২০ দা ইমালোলদা লাইরিক তমবগী ৱাফম য়াওরি। মসিগা লোয়ননা ঙসিগী চাওখৎলবা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সকী মতম অসিদা মণিপুরী লোল হেন্না চাওখৎহন্দুনা মণিপুরগী মপানদা লৈরিবা মীওইশিংদা লোল অসি হেন্না খঙহনবগী তঙাইফদবা লৈরে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অকাশবানি ইম্ফাল এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর (নিউজ)- থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎনা অঙনবা মতমদগী মণিপুরগী মিদিয়াদা মীতৈলোল শিজিন্নবদা মীৎয়েং অমা হায়বসিগী মতাংদা অখন্নবা ৱারোল পীখি।

থোরম অদুদা জি.পি. ৱিমেন্স কলেজগী প্রিন্সিপাল-প্রোফেসার লোংজম রাজেন অমদি লোলগী লমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

সাহিত্য থৌপাং লুপনা শিনদুনা মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ থৌরমগা ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরীগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা অকাশবানি ইম্ফালগী হান্নগী প্রোগ্রাম একজিক্যুতিভ অসোসো খোহলিদা খুমবোংময়ুম গৌরাহরি মধুমতি মাদর লেঙ্গোইজ এৱার্ড খুৎশিন্নখি। মনা অসি মহাকা মাও লোলবু চাওখৎনবা হোৎনবদা লৌরিবা

থৌদাংবু শকখঙবা ওইনা পীবনি। মনা অসিদা সাইতেসন, সোল অমসুং শেলগী মনা য়াওরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি কলচরগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার পাউনম গুনিন্দ্রোনা হায়- মণিপুর অসি মেন্যু স্ক্রিপ লিশিং ৪০ হেন্না লৈবা লমদম অমনি। মহাকা হায়- মণিপুরী লোল অসি ভারতকী ক্লাসিকেল লেঙ্গুএজদা চন্নবা তাঙ্কক কয়াদা হোৎনদুনা লাক্লি। মসিদা নত্তনা মীতৈ ময়েকপু শেলয়েক্তা হাপনবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎতুনা লাক্লি। শ্রী গুনিন্দ্রোনা হায়- মণিপুর অসি মশাগী ময়েক লৈজবা লমদম অমনি। মরম অদুনা ইতিহাসকী মতুংইন্না মশাগী ময়েক লৈজবা লমদম অমা ওইবা হায়বসি সংস্কৃতিগী লমদা খুমাং চাওশিল্লবা লৈবাক অমনি হায়না লৌনরম্মী।

মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনা শিল্লোন অপুনবা লুপ (মিলাল)নসু ঙসি মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ পালন, মিলাল ময়াই লোইশঙদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মিলালগী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম গোজেন মীতৈ য়াওনা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

ৱাংজিংদা লৈবা খোরিরোল শঙলেনদসু পালন নুমিৎ অসি পাঙথোকখি। সাহিত্য সেবা সমিতি ককচিংনা শিন্দুনা পালন থৌরম অসি ককচিং সুমাক লৈকাই লৈরক অচৌবা পরেংদা পাঙথোকখি। ককচিং চুমাং লৈকাইদা লৈবা রিপ্রজেন্টেতিভস ওফ লোইজগী ওদিতোরিয়মদসু থৌরম অসি পাঙথোকখি।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা উখ্রুল জিলাগী সংসকতা মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ পালন পাঙথোকখি। শৈরেং ইবা অমদি দিবেট কম্পিতিসন পাঙথোকপনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

থাংজ (এল)ঃ  মণিপুরদা মহৌশাগী চৎনবী অমদি লাইনিং লাইশোলগা লোয়ননা লমতাগী অহানবা থাংজ নুমিৎকী শরোই খাঙবগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা শিন্দুনা অৱাই অখুম শরোই খাঙবগী থৌরম পাঙথোকখি। অহানবা ওইনা সি.সি. হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অৱাং চেক্কোন

লন্বী চংফমগী লমলোং কৌব্রু মাইকৈগী ওইনা শরোই খাঙখি। অনিসুবদা থাংজিং মাইকৈগী ওইনা কোনুং মমাংগী থঙ্গাল মুর্তিগী অৱাং আর.দি.এস স্কুলগী নাকলগী লমলোংদা, অহুমসুবদা হরিখাগোক মখোঙগী লমলোং ফাংবদা অমসুং অরোইবদা থাঙ্গপাৎ অরোইবা নোংপোক লমলোংদা ৱাংব্রেনগী শরোই খাঙখি।

খুরাই অহোংপুং, কোংবা শৌদোংপুং, তেরা ৱাংথোনবীপুং অমসুং ককৱা লমদাইপুংদসু শরোই খাঙবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি। রাজ্য অসিগী অমসুং মণিপুরগী ৱাংমদা চোইনা খুন্দাখ্রবা মণিপুরীশিংনা লৈবা মফমশিংদসু ঙসি লমতাগী অহানবা শরোই খাঙবগী থৌরম পাঙথোকখি।

আইদিপি (এল)ঃ রাজ্য অসিদা নৌনা শেমখিবা সরকার অসি পাকথোক চাউথোকবা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ ঙসি নুংথিল নিউ দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে। সরকার অসি চাউথোক্লবা মতুংদা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলগী মীফম কাংপোকপী ফাওদুনা চৎলবা মতুং সেনাপতিদা পাঙথোক্কনি হায়বগী ৱাফম লৈরি।

রাজ্য অসিদা মীয়ামা পান্বা সরকার লাকখ্রবা মত্ং সরকার অসিবু লুচিংলিবা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা মণিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাংনা থাজনবা ৱাৎপদগী চংথোক চংশিন য়াদনা লৈরম্বশিং কোকহন্নবা থবক লেপ্তুনা লৌখৎলক্লি। নাকল অনিমক্কী লুচিংবশিং য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়াগা পাউ ফাওনদুনা লমদম অসিদা শান্তি, নুংশি চান্নবা অমসুং অমত্তগী ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না লাকহন্নবা থবক কয়া লেপ্তুনা পায়খৎলি।

অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসিদা থাজবা হেনগৎলকপদগী এন্থোনি নৌলাক কৌবা আই.দি.পি অমা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে। মহাকা মুখ্য মন্ত্রি য়াওনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগসু উন্নদুনা কাংলুপ অনিগী মরক্তা থাজনবা হেনগৎহন্নবা থবকশিং লৌখৎকনি হায়রি। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা লাকপগী মরুওইবা পান্দমদি আই.দি.পিশিংনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং অদু কোকহন্নবগীদমক্তনি। শ্রী এন্থোনিনা হায়- আই.দি.পিশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা পি.আই.এল থাংগৎখ্রে। মসিগী মথক্তা সুপ্রিম

কোর্টতা হৌজিক হৌজিক কেস হিয়ারিং চথরি। আই.দি.পিশিংনা হকশেল, শিক্ষা অমসুং শেল থুমগী লমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহনবা হায়বসি মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী মরুওইবা পান্দমনি।

এসআইআর (এল)ঃ কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম অমসুং শিক্ষাগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা হায়রি- তংদু লৈতাবা মণিপুর অমা ওইহন্নবগীদমক অশেংবা-অচুম্বা ইলেক্তোরেল রোল য়াममক তঙাইফদে। মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) চথবা মতমদা মরম চাদনা মীশিং হেনগৎলকপশিং য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

ডাঃ রাজকুমার রঞ্জন্না সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- মণিপুরগী ইলেক্তোরেল রোলদা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন পায়খৎনবা কেন্দ্র সরকার অমসুং ইলেক্সন কম্মিসন্না লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি থাগৎনিঙাইনি। অদুমওইনমক, রাজ্য অসিগী বিধান সভা কেন্দ্র খরদা ভোৎ থাদবা য়ারবা মীওইশিংগী মশিং কা হেন্না হেনগৎলক্লিবা অসি য়ামা লুমা লৌবা তঙাইফদে। মরম অদুনা হৌজিক চথরিবা এস.আই.আর অসি রুতিন অপদেট তৌরিবা অসিগী মথক্তা হেন্না কুপা য়েংশিনবা অমা চংই। মসি পাঙথোকপা মতমদা ফিল্ড ভেরিফিকেসন, চাং নাইদনা মীশিং হেনগৎলক্লিবা অসিগী অকনবা স্ক্রুতিনি অমসুং বিধান সভা কেন্দ্র খুদিংমক্তা চপ চানা য়েংশিনবা তঙাইফদে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংনা এস.আই.আর পাঙথোকপা মতমদা য়ারিবা মখে মনুং মপান ফাওনা থবক তৌদুনা গনতন্ত্রিক ওইবা মীয়ামগী থাজবা অদু মাংহন্দনা থমবা হোৎনগদবনি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ বেতি বচাও, বেতি পরাওগী মনুং চন্না নোংমগী ওইবা ৱার্কসোপ কম হেন্দস ওন ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী খুরখুলদা পাঙথোকখ্রে।

সষ্টেনেবল লাইভলিহুদ এন্দ ক্লাইমেত এক্সন হায়বা হিরম অসিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা সোসিয়েল ৱেলফ্যার

বিভাগকী মিসন শক্তি-ৱিমেন প্রোগ্রামগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর বিনোবালা নোংমৈকাপ্পমনা হায়- নুপী ওইবীশিংদা মোরিংগা পান্নীগী কান্নবা খঙহনবা অমদি মহৌশানা থোকহনবা খুদোংথিবা থৌদোকশিংদগী করমা ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদা পুন্না খঙমিন্নবা তাঙাইফদে।

নোনে (এল)ঃ  অতল ভাইয়ো অভিয়ুধা য়োজনাগী মখাদা চহি ৬০ গী মথক্তা লৈবা অহল ওইরবা মীওইশিংগী লেমা লায়েংবগী থৌরম অমা ঙসি লোংমাই পার্ট থ্রিদা লৈবা মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস নোনে অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি নোনেনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসার সিংঙুপঙম থাইমৈ শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ  ককচিংগী লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তরগী ওদিতোরিয়মদা ঙসি হিন্দু সমেলন পাঙথোকখ্রে। হিন্দু সমেলন সমিতি ককচিংনা শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা থৌনা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট য়েংখোম নিলাচন্দ্র য়াওনা মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

থৌবাল (এল)ঃ  দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতি থৌবালগী প্রসিদেন্ট খনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। সংঘথন শ্রীজান অভিয়ানগী মখাদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা এ.আই.সি.সিগী ওবজার্ভর আজয় কুমার লালু, এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট ওক্রম ইবোবী অমসুং সি.এল.পি লিদর কৈশাম মেঘচন্দ্র য়াওনা মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

বিজেপি (এল)ঃ  নিউ দিল্লিগী ৱার্ল্ড এ.আই. সম্মিৎ পাঙথোকফমদা কংগ্রেসকী য়ুথশিংনা চংশিনখিবা খোঙজং অদু বি.জে.পি মহিলা মোর্চা অমসুং য়ুবা মোর্চাগী করিয়াকার্তাশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা ঙসি ইম্ফালগী থম্বাল শঙলেনগী গেটতা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী বি.জে.পি

মহিলা মোর্চাগী প্রসিদেন্ট এল. লোতিকানা হায়- কংগ্রেস দলগী থৌওং অদু মালেমগী লৈবাক কয়াগী মমাংদা ভারতকী মীংচৎ থিহন্নবা পাঙথোকখিবনি।

কোর্ট (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট কমপ্লেক্স ককচিংদা ঙসি আইনগী লমদা মীয়ামদা খঙহনবগী নোংমগী ওইবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসন অমদি মণিপুর জ্‌দিসিয়েল একাদমিনা পুন্না শিনবনি।

লৌমী (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা লৌফম কয়াদা চহি অনিরোম লৌ পানখিদবগী ক্ষেতিপুরন পীননবা মোইরাং কেন্দ্র অপুনবা লৌমী-শিন্মী অমসুং নুপী লুপনা হায়রি। লৌমী মীয়ামা থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবশিং য়েংলগা অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীনবসু তকশিল্লি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা ওপরেসন সদভবনাগী মখাদা থৌবাল জিলাদা লৈবা বেনিফিসরি ২১ দা পুন্না লুপা লাখ ২ রোমগী মমল ওইগদবা হুইল চেয়ার অমদি ৱার্কিং ষ্টিকচিংবা য়েন্থোকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমদা হায়- মীয়াম অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী মরক্তা লৈনবা মরী হেন্না চেৎশিনহন্নবা অমসুং হকচাংগী ফিভম মীমান্নদবশিং অমদি অহল ওইরবশিংদা মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোনদা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি।

মৈ (এল)ঃ লাঙ্গোল রিজার্ভ ফোরেষ্টকী কম্পার্টমেন্ট থ্রিদা ঙসি অয়ুক পুং ৮ লোম তারকপা অদুৱাইদা লাম্মৈ চাকপগী থৌদোক অমা থোকখ্রে। অদুমওইনমক, রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিস, সদার ৱেষ্ট রেঞ্জ অমসুং ইরোইশেম্বা বিট ওফিসকী অপুনবা কাংবু অমনা খোঙলৈ থুনা চংশিনদুনা লাম্মৈ চাকপা অদু কনবা ঙমহৌরে হায়রি। রিজার্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়াদা লাম্মৈ চাক্লকপা য়াবা থৌওং অমত্তা তৌবীদনবসু ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মাইকৈদগী আপীল তৌরক্লি।

রঞ্জনা (এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালদা নট সংকৃটনদা টোপ গ্রেদ আর্টিষ্ট ওইরম্বী শকাইরবী শৈশকপী য়ুমলেম্বম রঞ্জনা দেবী ঙরাং ইম্ফালগী য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈরক্তা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮৩ শুখ্রে। মহাকা হিংলিঙৈ মতমদা নট সংকৃটনগী লমদা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু শক খঙদুনা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিনা ১৯৮৮ দা একাদমি এৱার্দ, ১৯৯৭ তা সঙ্গিৎ নাটক একাদমি এৱার্দ, ১৯৯৯ দা সঙ্গিৎ ভুসন অমসুং ২০১৩ দা সঙ্গিৎ রতানচিংবা মনাশিং পীদুনা ইকায় খুমখি। মহাক জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমি ইম্ফালদগী সেনিয়র গুরু ওইনা থবক্তগী পোত্থাখি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- চহি অসিগী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদগী নক্সলাইটশিং মরু ফংনা মুত্থৎলগনি।

গুৱাহাতিদা ঙসি পাঙথোকপা সি.আর.পি.এফকী ৮৭ শুবা রেজিং ডে পেরেদতা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়- সি.আর.পি.এফনা লৈবাক অসিগীদমক্তা শিংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া পাঙথোক্লুনা লাক্লি। সি.আর.পি.এফকী জৱান অমসুং কোব্রা বত্তাল্লিয়ন্না লৈবাক অসিদগী নক্সলাইটকী সমস্যশিং লোইশিন্নবা হোৎনবদা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

শ্রী সাহনা হায়- অৱাং নোংপোক লমদম, জম্মু-কাশ্মীর অমসুং মাওইষ্টনা শোকহল্লবা মফমশিংদা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবদা সি.আর.পি.এফনা চোকথবা লৈতনা থবক তৌরি।

শান্তি হঞ্জিনহন্নবগী মতাংদা সি.আর.পি.এফনা লৌরিবা থৌদাংবু শিংথারদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- হিংশানা শোক্লবা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা সি.আর.পি.এফকী বত্তাল্লিয়ন কয়া রাজ্য অসিদা মথৌ তৌরি। হৌজিক ফাওবদা সি.আর.পি.এফ পার্সোনেল লিশিং ২,২৭০ না মরৈবাক্কীদমক্তা থৱায় থাদোকখ্রে। মসিগী মনুংদা পার্সোনেল ৭০০ না অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈখিদবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ ১৮ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা- উৎলৌ এফ.সিনা পথাপ এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-০ দা, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা সৈনিক স্কুল ইম্ফাল ওল্ড বোইজ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা অমদি ইলিট এফ.এনা ফুটবোল ক্লব লমজাউবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ ২ শুবা য়াইরিপোক ত্রোফি মণিপুর ওপন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা জি.এফ.সি ক্যামগৈ অমসুং এস.আই.সি সিংগা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এন.জি.এল লৌরেম্বম অমদি য়াইরিপোক য়ুনাইতেদ এফ.সিসু পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

ফুটবোল ঃ আর.দি.সি লাইরেনকাবী ক্লবনা শিনদুনা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা আর.দি.সি লাইরেনকাবী অমদি য়ু.এস.সি ফয়েং পাঞ্জল ২-২ চন্নবদগী টাই ব্রেক কাউনবদা আর.দি.সি লাইরেনকাবীনা পাঞ্জল ৫-৪ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ৫ শুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এম.পি.এস.সি মণিপুর সেন্ত্রেল জেলনা পি.সি.সি ময়াই কোইবীবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- এস.য়ু.এস.ভি.সি শগোলবন্দনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজবু ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ  ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমদি ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা রেজ খ্বাই নাগামপালনা আর.সি.এ লিলোংবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ  তেন্থা হৈবুং ত্রাংক্যুলিতি ক্লব-তেন্থানা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা অহুমশুবা টি.ক্যু.সি. ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বাতর ফাইনেল মেটচশিংদা এম.কে.এস চীংমৈরোংনা থোকচোম জ্বেল্লরি খাঙবোকপু রন ৩৯ দা অমসুং কে.সি.এ খাঙবোকনা এক্সেলেন্ট ফাউন্দেসন খাঙবোকপু রন ২৫ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

টেন্নিস ঃ  এসোসিয়েসন ওফ টেন্নিস লভরস শিংজমৈ চীংঙা মথকা শিন্দুনা চীংঙা মথক্তা লৈবা সি.ৱাই.এল.সি টেন্নিস কোর্টতা চথরকপা ১৫ শুবা সি.ৱাই.এল.সি ষ্টেট ওপন টেন্নিস তুরনামেন্ট ঙসি লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরমদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

------